## লম্বী থিংগদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ঃ লমশাং খুরখুল রোদ স্পিনিং মিল লম্বীগী ফীভম অশুক্কী মতিক ফৎত্রে, মীয়ামগী মমল য়াল্লবা মতম মাঙহনবদা নৎতনা গারি তোংদুনা চৎপদা থৱায় ফাওবা মাঙবা য়াওশিল্লক্লে। অসিগুম্বা লাইবক থীবা থৌদোকশিং অসি মশিং লাকঙমদনা থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরকপনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২গী অয়ুক পুং ৭ তাবদা ময়াং লাংজিং কম্যুনিটি হোলদা য়ু কে আর এ এম দি এনা নোংমগী শিন্থা লেপ্পগা লমদম অসোমগী ক্লব, মৈরা পায়বী লুচিংবা-লুচিংবশিংগা অপুনবা মীফম অমা অথুবা মতমদা লম্বী শেন্বীয়ু হায়বা খোল্লাউগা লোয়নননা পাঙথোকখ্রে হায়না জোইন্ট এক্সন দিভলপমেন্ট কমিটি লমশাং খুরুখুল রোদকী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লমদম অসোমগী মীয়াম্না হৌখিবা জন্যুৱারী ২০দা লম্বী অসিগী মতাংদা ৱার্কস মিনিষ্টর অমসুং এম এল এশিংদা ফেব্রারারী ২০ ফাওবগী মনুংদা শেন্বীয়ু হায়বা ৱাফম থমখ্রবনি। লম্বীগী ফীভম ফৎচিল্লক্তবা মরম্না অপুনবা মীয়ামগী খোঙজং অমগা লোয়নননা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ২০ ফাওবগী মনুংদা শেন্বীয়ু হায়বা ৱাফম থমজখ্রবনি।

লম্বীগী ফীভম ফৎচিল্লক্তবা মরম্না অপুনবা মীয়ামগী খোঙজং অমগা লোয়নননা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১০ ফাওবগী মনুংদা শুকশোই শোইদনা শেম্লগনি হায়বা ৱাফম অমা হায়হৌদ্রবদি মথং নুমিৎ ফেব্রৱারী ১১দগী লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি। মসিদা থোক্লকপা অফ-ফত্ত খুদিংমক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা পুগদবনি হায়না চেকশিন ৱাশু চেরোলসিদা থল্লক্লি।

## মীৎ লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ঃ হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২দা সোসল ৱেলফেয়র ক্লব, তোপ সিফাই অমসুং জেনিমস, পোরোম্পাৎকী আই স্পেসিএলিষ্ট ডোক্টরশিংগা খুৎশম্নরগা নোংমগী ওইবা লেম্না মীৎ লায়েংবগী কেম্প অমা ক্লবঅসিগী গ্রাউন্দা পাঙথোকখ্রে।

সোসল ৱেলফেয়র ক্লবকী সেক্রেটরি জেনরেল তেকচম তেচম্বা মীতৈনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়না অসিগুম্বা কেম্প অসিদা তোপ সিফাই, য়ুম্নাম হুইদ্রোম, থিয়াম লৈশাংখোং, পাওবীতেক অমসুং উপোকপিনচিংবা খুঙ্গংশিং অসিদগী লাকপা মীওই ২১৫না লেম্না মীৎ লায়েংখি। লোয়নননা অনোক ফ্রেম অমসুং মীৎকী হীদাকশিং লেম্না য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা জেনিমস, পোরোম্পাৎকী মীৎকী ডোক্টরশিংবু ক্লব অসিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

## এৱার্দ পীরক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ঃ ডো. মিত্ররানি ফাউন্দেসন অমসুং মসিগী সেক্রেটরি জেনরেল জি রাজেন্দা ইন্দিয়ান এৱার্দ ফোর এক্সিলেন্স অমসুং ভারত এক্সিলেন্স এৱার্দ পীরক্লে। সর্টিফিকেট অমসুং ট্রোফি য়াওবা এৱার্দ অসি হৌখিবা জন্যুৱারী ৩১দা ন্যু দিলিদা লৈবা সি দি দেশমুখ মেমোরিএল ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা খুৎশিন্নরকখিবনি হায়না ডো. মিত্ররানি ফাউন্দেসন, উরিপোক খায়দেম লৈকায়, ইম্ফালগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## নুংতিগী হায়লাইটস শন্দোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ঃ কেরলাদা পাঙথোক্লিবা ৩৫শুবা নেসনেল গেমসকী দেলি হায়লাইটস মণিপুরদা ওল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফালনা নুমিৎ খুদিংগী নুমিদাং পুং ৮.২০দগী ৮.৪২ ফাওবা শন্দোক্কদৌরি। প্রোগ্রাম অসি মফম অদুদা লৈরিবা মণিপুরগী এঠলেটশিংগী নুংতিগী পার্ফোমেন্স, ইন্টর্ভ্যু অমসুং ওফিসলশিংগা ইন্টর্ভ্যু ইম্ফাল ষ্টুদিওদগী থাগদবনি হায়না ষ্টেসন দিরেক্টরগী মায়কৈদগী প্রোগ্রাম ইগজিক্যুটিব বিজয়া য়ুলেম্বমনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## সার্কল লেবেল কনভেন্স

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ঃ ফোরম ওফ বি এস এন এল য়ুনিয়ন এন্দ এসোসিএসন্স, মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা শীন্দুনা রিভাইভেল ওফ বি এস এন এল হায়বসিদা সার্কল লেবেল কনভেন্সন অমা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ৫গী অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা ইম্ফালদা লৈবা কুকি ইন হোলদা পাঙথোক্কদৌরি হায়না কনভীনর ঐচ য়াইমানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, পাঙথোক্কদৌরিবা কনভেন্স অদুদা বি এস এন এল, মণিপুরগী জেনরেল মেনেজর জে লুনকিমনা অথোইবা লেঙবীরকপা, বি এস এন এল ঈ য়ু, এন ঈ-টু সার্কলগী সার্কল প্রসিদেন্ট কমরেদ কে প্রাফুল্লোনা থৌরম মপু সি আই টি য়ু, মণিপুর ষ্টেট কমিটিগী সেক্রেটরি কে এস ঐচ শান্তনা ঈকায়খুম্নরিবা লেঙবীরকপা ওইনা শরুক য়াগনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা কনভেন্সন অমদা বি এস এন এল ঈ য়ু, সি ঐচ কু, ন্যু দিলিগী জেনরেল সেক্রেটরি কমরেদ স্বাপন চক্রবতি অমসুং দি ঈ(সি এফ এ-আই এন টি) ডো. টি ঐচ শরতচন্দ্রনা বি এস এন এল হিঙ্গৎহনবগী মতাংদা মরু ওইবা ৱাঙাঙলোয়শিং ওইগনি হায়নসু চেরোলসিদা ফোঙদোরক্লি।

# ‘খুদোংচাদবা পীরবদি গ্যাস এজেন্সিশিংদা এক্সন লৌখৎনি’

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ০৩(ঐচএনএস)ঃ করিগুম্বা মরম চাদনা শেল লৌবা অমসুং অশোইবা অরানবা খরা চুমথোকপা মতমদা কঞ্জ্যুমরশিংদা হেন্না খুদোংচাদবা পীবা য়াওরল্লবদি হায়রিবা গ্যাস এজেন্সিশিং অদুগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎলগনি অমসুং থিংজিনবা ফাওবা য়াওনা পুম্নমক্কা খুৎশম্নরগা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ওল মণিপুর দোমেষ্টিক এল পি জি কঞ্জ্যুমর’স ৱেলফেয়র এসোসিএসননা ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স সেক্রেটরি অমর্জিৎ সোরাইশমনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, মসিদা মরী লৈনবশিংনসু অরানবা তৌবশিং অসিবু কনখৎপিগনু মরমদি কনানসু করিসু তৌবা ঙল্লরোই খন্দুনা হন্না হন্না মীয়ামদা অৱাবা পীদনবা অমসুং লৌফম থোক্তবা অহেনবা শেল লৌদনবা হন্না হন্না আপীল তৌজখ্রবসু করিসু নাচুংদনা লৈথোক্লি। শেল পায়বা খঙন-চান্নবা লৈবা, তৌবা ঙম্বনি খন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং অসিবু চুমথোক্লবগী মতমদু য়ৌরক্লে। মখোয়শিং অসিনা মণিপুর মীয়াম্বু লল্লোনপোৎকুম খল্লব্রা?

অরোইবা ওইনা মীয়ামগীদমক্তা খনবীদুনা গ্যাস এজেন্সিশিংনা কাঙলোন চুম্না তৌবীরক্লবা আপীল তৌজরি।

হন্দকপায়খৎলক্লিবা দি বি টি এল স্কীম অসিদা মীয়াম্না থোইদোক্না শরুক য়াবা ঙমদবগুম তৌরি। মণিপুরগী অপুনবা কঞ্জ্যুমর শরুক ৩ থোকপগী অমা ফাওবা শরুকয়াদবগুম তৌরি। মসিগী মরু ওইবা মরমসি গ্যাস এজেন্সিশিংনা গ্যাস কঞ্জ্যুমরশিংদগী লৌফম থোক্তবা শেনফম কয়া লৌবদগী ওইবা য়াই। মরমদি লাইরবা কঞ্জ্যুমর কয়া গ্যাস শীজিন্নরিবা অসিদা মখোয়গী একাউন্টতা লৈবা য়ুম্নাক অমসুং লৈফমগা গ্যাস বুক্তা লৈবা য়ুম্নাম অমসুং লৈফমগা মান্নদবগী অৱাবা অসিসু অমনি হায়রি।

য়ুম পান্দ্রিঙৈদা লৈরম্বা য়ুম্নাক্তু ময়ুম পাল্লবা মতুংদা লৈবা য়ুম্নাক অমসুং লৈফম মান্নদবনা মসিবু ওন্থোক্লবা হোৎনবদা গ্যাস এজেন্সি খরনা লুপা ২২০০ পীদ্রবদি ওন্থোকপা য়ারোই হায়বা ফাওবা য়াওরি। মসিদা নৎতনা য়ুম্নাক অশন্বীদা ইরম্বগী শেমদোকপদা লুপা ১৮০০দগী ২২০০ ফাওবা অদুগা ইমুং মনুংগীদা মিং ওনশিনবদসু অদুমঙাই। পুম্নমকসিনা মরম ওইরগা কঞ্জ্যুমরশিংদা মরম চাদনা অৱাবা পীবা অমসুং লৌফম থোক্তবা শেল লৌবনা হায়রিবা শেলশিং অসি পীবা ঙমদবদগী দি বি টি এল স্কীমদা মপুং ফানা শরুক য়াবা ঙমদ্রব্রা হায়বসিনি হায়রি।

মণিপুরগী মফম মফমশিদা চাকথোং গ্যাস কঞ্জ্যুমরশিংগী এসোসিএসন, য়ুনিয়ন শেন্বগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২দা ৱাঙ্গৈই খাইদেম লৈকায়দা মীয়ামগী মীফম অমগা লোয়নননা ৱাঙ্গৈই কেন্দ্র এল পি জি কঞ্জ্যুমরস ৱেলফেয়র এসোসিএসন কৌবা অমা শেমখ্রে। ইগজিক্যুটিব মেম্বর ১১না শাবা এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টনা ৱাঙ্গৈই লাইফ্রাকপমদগী থিয়াম ইনাও, সেক্রেটরিনা ৱাঙ্গৈই খাইদেমদগী খাইদেম ধমেন অমসুং ট্রেজররনা ৱাঙ্গৈই লাইফ্রাকপমদগী ময়েংবম সরতপু খনখ্রে হায়রি।

এসোসিএস অসিনা ৱাঙ্গৈইগী অকোয়বদা লৈরিবা চাকথোং গ্যাস কঞ্জ্যুমরশিংগী করিগুম্বা খরদং ওইরবসু য়াইফনবা পাঙথোকপা ঙম্লগনি। মীয়ামগী য়াইফনবা পুম্নমক্কা মতেং পাঙবীয়ু, শৌগৎপীয়ু অমসুং মীয়ামগী অপেন-পেন্দ ফোঙদোকপিয়ু হায়না ৱাঙ্গৈইগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামদা আপীল তৌজরি লোয়নননা শেমদ্রিবা মফমশিংগীসু অথুবা মতমদা শেম্লগনি হায়রি।

# ‘লৈঙাকনা মাইকেলদা চানবা থবক পীয়ু’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৩ (ঐচএনএস)ঃ হৌখিবা কুমজা ২০০৭গী দিসেম্বর ১৬তা পৌরাবী লমখায়দা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা মশাগী মখোঙ অনীমক শোক্লু ককখিবদগী আর্টিফিসিএল লেগ হাপ্তুনা লাই য়েকপগী লমদা অকনবা মীৎয়েং চঙলিবা নেসনেল অমসুং ইন্টর্নেসনেলগী থাক্তা এৱার্দ কয়া ফংলক্লবা মাইকেল কোন্থৌজমদা মণিপুর লৈঙাকনা মহাক্কা চানবা থবক অমা পীফম থোকই হায়না পেট্রিওটিক রাইটস’ ফোরম, মণিপুরগী সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

ফোরম অসিগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, ঙসি পেট্রিওটিক রাইটরস ফোরমগী নুমিৎ ১০নি চুপ্পা চথুগদবা ৭শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী ৩নি চনবদা মাইকেলগী পোক্লফম ওইরিবা শগোলমাঙ ৱাখোঙদা লৈবা মাইকেলগী য়ুমদা অখন্ননা উনবগী থৌরমদা ৱাফম অসি রাকেশ নাওরেমনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাকনা মখা তানা হায়খিবদা মাইকেল কোন্থৌজমগী অয়েকপা লাইশিং ঙসিদি মালেমগী য়ুনিভর্সিটি কয়াদা থম্নখ্রে। মহাক্কী অয়েকপা লাইশিংনা মালেমগী মীয়ামদা ঈং-তপ্পগী পাউজেল কয়া পীদুনা লাক্লি। লমদমসিগী শান্নরোয়শিংনা মিংচৎ পুরকপা মতমদদি লৈঙাক অসিনা মীৎয়েং চঙদুনা শেলগী তেংবাং পীবতা নৎতনা মখোয় মখোয়গা চান্নবা থবক হাপ্লি। অদুবু বোম পোকখায়গী থৌদোক অমদা মশাগী মখোঙ অনীমক শোইনাইখ্রবা মরাইবক থীরবা মশক নাইরবা মাইকেলগীদমক্তা লমদমসিগী লৈঙাকনা মহাক্কা চান্নবা থবক অমত্তা পীবিদবা হায়বসি লৈঙাক অসিনা মান্নবা খুন্নাই অমগী মঙ মঙদ্রে তাকপনি।

ফোরমগী ভাইস প্রসিদেন্ট রঘু লৈশাংথেমনা থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা হায়খিবদা মাইকেল কোন্থৌজমনা হৌজিক মহাক্কী অয়েকপা লাইশিংদা পীরিবা পাউজেল অসি মালেমদা পিস পুরক্কদবনি হায়বা অসিনি। অদুগা ঐনা ঐগী শৈরেংদা অমসুং অঙাংগী লাইরিকশিংদা পীরিবা পাউজেল অসিসু মালেমদা পিস পুরক্লবগী ৱাখল্লোল অসিনি। মাইকেল অমসুং ঐগী শৈরেংগী খোঙচৎ অসি ঙসিদি অমত্তা ওইনা পুনশিনবগুম তৌই।

থৌরম অদুদা মাইকেলনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা কুমজা ২০০৭কী দিসেম্বম ১৬তা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা থৱায় কয়া লাইরলেন্দা তিনখি। ঐগী থৱায়সু অসুম্না ঐগী হকচাংগা লোয়নররগনি হায়বসি থাজবা হৌজিকসু ঙমদ্রি। রিমস হোস্পিটালগী ওর্থো দিপার্টমেন্টকী বেদ নম্বর ৭তা হিপ্না হিপ্না খোঙ য়াওদ্রবা হকচাংগী ফীভম অদু হৌজিক্তং নীংশিংলুরগা কিরকপা ফাওই। মহাকপু থৱায় য়াওনা লায়েংখিবা ডো. ওপেন্দ্রো অমসুং অতৈ ডোক্টরশিংদা তৌবীমল খঙবা উৎচরি। মহাক্কী পুন্সিবু অসুম্না ওইহল্লক্লিবা অসি রিমসকী ব্লদ বেঙ্কসু অমনি। ব্লদ বেঙ্ক অসিদা থমোয় শেংনা ব্লদ দোনেসন তৌবীরম্বা লমদমসিগী অমসুং পুকচেল চাউরবা ব্লদ দোনর পুম্নকপু থেংলবসু থেংনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ইম্ফাল আর্ট কোলেজনা শিনবা পিস্তা য়ুম্ফম ওইবা ষ্টেট লেবেল পেন্টিং কম্পিটিসন অমা য়াওরুরগা হল্লকপগী লম্বীদা পৌরাবী লমখায়দা বোম পোকখায়গী থৌদোক অদু থোকখিবনি। মহাক্কী ৱাখলদা পিসকী ৱাখল্লোল শাগৎতুনা নুঙাইন হল্লকপগী লম্বীদা অসুম্না তমথীবা থৌদোক অমা থোরকখিবা হায়বসি তশেংনমক মহাক্কী পুন্সিদা চাউনা তাইবং শেম্বা মপুনা চাংয়েম তৌবরকপনি হায়না খল্লি। মহাক ঙসি তাইবং শেম্বা মপুবু থাগৎলি মরমদি থৌদোক অদুদা মহাক্কী খুৎ অনীদি শোকহনবীরমদবগীদমক হায়নসু মাইকেলনা মখা তানা ফোঙদোকখি হায়রি।

লৈঙাকনা মতেং পাঙলকপা লৈখ্রব্রা হায়না হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মাইকেননা হায়খিবদা লৈঙাক্কী মফমদা মহাকপু য়েংশিনবীয়ু হায়না কয়ারক হায়জখ্রে অদুবু থোইদোক মতেং পাঙবীরকপা লৈত্রি। অদুবু মহাকনা ঙসি রিমস হোস্পিটালদা লৈরিঙৈদা দি সিগী খুথাংদা লুপা লিশিং ১৫খক্তংদি মতেং পাঙবীরকখি। মসি নৎতনা ঙসি ফাওবদা মতেং অমত্তা ফংদ্রি। তশেংনমক লৈঙাকনা মহাক্কী তুংগী পুন্সিগীদমক খল্লগা থবক অমত্তং পীবীরগদি য়াম্না নুংঙাইজগনি।

ফোরমনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱাখোঙগী অহল-লমনশিং অমসুং হোজাইদগী লাকপা ঈশৈ ময়েক ইবা অমদি সোসল ৱার্কর থোকচোম নোবিনসু শরুক য়াখি হায়রি।

ফোরমগী মপোক কুমনগী ৪নি চনবা ফেব্রুৱারী ৪দা নম্বোল মায়কৈগী অঙাংশিং উনবগী থৌরম অমা নম্বোল খোংখামদা লৈবা অইবী সোবিতা মোংজমগী শঙ্গাইদা পাঙথোক্কনি।

# ওজাশিংগী ফংফম থোকপশিং মৎপা য়াবা থবক অমত্তা তৌবীগনু ঃ অম্পটা

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ০৩(ঐচএনএস)ঃ হৌখিবা কুমজা ২০১১দা থবক চঙখ্রবা হিন্দি প্রাইমারী টিচর অমসুং প্রাইমারী টিচরশিংগী ফংফম থোকপশিং মৎপা য়াবা থবক অমত্তা লৈঙাকনা তৌবীগনু হায়না ওল মণিপুর প্রাইমারী টিচরস এসোসিএসন (অম্পটা)না ফোঙদোরক্লি।

অম্পটাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি কে গুনচন্দ্রনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা রাইট ওফ চিল্দ্রেন টু ফ্রী এন্দ কম্পলসরি এদ্যুকেসন এক্ট, ২০০৯গী সেক্সন ২৩ (১)গী মতুং ইন্না তঙাইফদনা লৈফম থোকপা মিনিমম ক্কালিফিকেসনগী মতাংদা নেসনেল কাউন্সিল ওফ টিচর এদ্যুকেসন (এন সি টি ঈ)দা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা অখন্নবা পাঙ্গল পীখি।

মসিগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১১গী ওগষ্ট ২দা থোকখিবা ইন্দিয়াগী গেজেট নম্বর ১৫৮কী পেরা থ্রী (এ)(বি)দা য়াওরিবা ৱাফম কুমজা ২০১২গী মমাঙদা থবক চঙখিবা ওজাশিংগী মনুংদা বি এদ নৎত্রগা দি এদ অদুগা রেহেবিলিটেসন কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (আর সি আই)গী মনুং চন্না দি এদ (স্পেসল এদ্যুকেসন) নৎত্রগা বি এদ (স্পেসল এদ্যুকেসন) ক্কালিফিকেসন পায়রবা ওজাসিং থা ৬কী স্পেসল প্রোগ্রাম ইন এলিমেন্টরী এদ্যুকেসনগী ট্রেনিং পীগদবনি হায়বা ৱাফম এন সি টি ঈনা হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী ওক্টোবর ১৪ অমসুং নবেম্বর ১৯দা মরী লৈনবা মণিপুর গভর্নমেন্টকী ওফিসলশিংদা অইবা চেরোল থারকখ্রে হায়রি।

এন সি টি ঈনা থা অমগী মনুংদা করিক্যুলম অমসুং সিল্লেবস থারক্লবা এস সি ঈ আর টিদা খঙহলকখিবগী মতুং ইন্না পাউখুম পীখ্রে। অদুবু অসিগুম্বা ওজাশিংগী ফংফম থোকপা অসি কুমজা ২০১৪গী জুলাইদগী তক্লদুনা লাকপা থা ৭-৮ ফাজিল্লক্লবা ফাওবা এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টোরেটনা থা ৬কী স্পেসল প্রোগ্রাম ইন এলিমেন্টরী এদুকেসন কোর্স চৎপা য়াবা হিন্দি প্রাইমারী ওজা, প্রাইমারী ওজা অমসুং মিনিমম ক্কালিফিকেসন রিলেক্সেসন তৌরগা লৌখিবা এস এস এ (প্রাইমারী ওজা)সিংগী ওইবা ওজাশিংগী লিষ্ট শেন্বীদবনা ওজাশিংগী ফংফম থোকপা অসি মৎনবা হোৎনরে হায়রি।

হীরম অসিদা মণিপুর লৈঙাকনা তুমিন্না লৈশিনবীবা অমসুং নমশিন্দুনা থম্বীরিবসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক লৈব্রা? হীরম খুদিংমক্তা লৈঙাকনা ওজাশিংবু হন্থনা য়েংবীনু, ওজাশিংগী ফংফম থোকপা মৎপা, পুক্লিং শোন্থনবগী থবক মখা তানা তৌবীগনু। মতম চানা, মফম চানা লোইসিনগদবা, তৌগদবা থবক তৌরক্তবনা লৈঙাক্কী স্কুলশিং শিথহল্লে, এদ্যুকেসন সেক্টর ৱাথোক ওইবা সেক্টর ওইরক্লবগী মচাক ওইহল্লকপনি হায়রি।

এন সি টি ঈনা পীরিবা মিনিমম ক্কালিফিকেসনগী কাঙলোন ঙাক্না ট্রেনিং প্রোগ্রাম শীনবীনবা অমুক্কা হন্না মণিপুর লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি। এন সি টি ঈনা মণিপুর লৈঙাক্তা খঙহলকখিবা ৱাফম ঙাক্না চৎতবগীদমক অমুক্কা হন্না হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর, এন সি টি ঈগী রিছার্স ওফিসার অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টকী দিপার্টমেন্ট ওফ স্কুল এদ্যুকেসন এন্দ লিটরেসিগী অন্দর সেক্রেটরিদা অমুক হন্না মেমোরেন্দম থাদুনা লৈরিবা ফীভমসিদা হকচিন্না মীৎয়েং চঙবীনবা ৱাকৎ থাখ্রে। এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনসু হীরমসিদা হকচিন্নালৌবীয়ু হায়রি।

# ‘স্যামজাই কন্দিসন য়াওদনা থাদোকউ’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ঃ হৌখিবা জন্যুৱারী ৩১গী নোংঙাল্লমদাই পুং ৪ রোম তাবদা চলৌদা লৈবা অশাংবম শ্যামকিশ্বর মচানুপা অশাংবম শ্যামজিৎ এলিয়স ননাওবা ৱারী অমা শানসি হায়দুনা পুলিসকী ফিজোল শেৎপা মীওই খরনা পুখ্রগা নোংঙানবদা বিষ্ণুপুর পুলিস কম্মান্দোনা ফাবনি, বিষ্ণুপরদা লৈরে খঙবদগী লৌবা চৎলুবদা য়াবীরক্রে। মদুগী মহুৎতা লম্লাই পুলিস্তা য়ু এন এএল এফকী মীওইনি হায়না শিন্নরম্বা অমসুং মতুং ফেব্রুৱারী ২দা ফোঙবা পাউচেদা য়ু এন এল এফকী এক্টিভিষ্ট অমা ফারে হায়না ফোঙলকপগী মতাংদা চলৌ খুনগী ওথোরিটি অহুম্না কন্না য়ানিংদে হায়রি।

চলৌ য়ুঠ য়ুনিয়ন ক্লব য়াওনা লূপ অহুম্না প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, শ্যামজিৎ সনা শাদুনা নোংমগী হিংনবা হোৎনবা, ময়ুম পান্দুনা মচা অহুম লৈরবা মীচম্নি। ফাখ্রগা মরাল থংজিনবগী হৈনবী থাদোকপিয়ু।

অথুবা মতমদা কন্দিসন য়াওদনা থাদোকপিরকউ নৎত্রবদি মীয়াম অমসুং এন জি ওশিংগা তান্নরগা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম শারগনি। লোয়নননা মরী লৈনবা মীওই নৎত্রগা লূপ্নসু অথুবা মতমদা শেংদোকপিরক্লবা আপীল তৌজরি হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৩ (ঐচ এন এস)ঃ থোংজু চিগোংলৈ মখোঙ দিভলপমেন্ট ক্লবকী ফাউন্দর মেম্বর অমসুং সেক্রেটরিগী থৌ পুরম্বা খা নওরেম লৈকায়দা লৈবা খুন্দ্রাকপম মণিনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২দা ইখঙ খঙহৌদনা মশাগী অনাবা অমদগী মনুং মতম চাদনা তাইবংপাল থাদোকখিবদা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী খুয়া খাদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা মিনিট অনী তুমিন্না লৈদুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না ক্লব অসিগী সেক্রেটরি সরত সাপমনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

# পাইপ তিংবা হৌদ্রবদি প্রোজেক্টকী থবক পুম্নমক খুঞ্জাশিংনা থিংজিল্লগনি ঃ জে এ সি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৩ (ঐচ এন এস)ঃ হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১দা ৱাইথৌপাৎ ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্টনা শোকহল্লবা খুঙ্গং থিয়াম কোঞ্জিন, সাইজিন প্লাক, সমানা তাঙ্খুল, ৱাইথৌ চিরু অমসুং ৱাইথৌদা লৈরিবা ক্লবশিং অমসুং মৈরা পায়বী ইমা ইবেনশিংগী ওইবা মীফম অমা থিয়াম কোঞ্জিন মান্দপতা পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপশিং লৌখ্রে হায়না জোইন্ট এক্সন কমিটি ওন এফেক্টেদ এরিয়া ওফ ৱাইথৌপাৎ ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্টকী কনভীনর চনম সনায়াইমানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা জোইন্ট এক্সন কমিটি অসি শেম্বগা লোয়নননা মীওই ১৩না শাবা ইগজিক্যুটিব কমিটি অমা শেমখি। মীওই ৮না শুবা এদভাইজরি বোর্দ অমসু শেমখ্রে। হায়রিবা ইগজিক্যুটিব কমিটি অসিগী চ্যেরমেননা কে ঐচ মেমনাওবী অমসুং কনভীনরনা চনম সনায়াইমাবু খনখ্রে।


মতম কুইনগী মমাঙদগী দিমান্দ তৌদুনা লাক্লিবা ৱাইথৌ পাৎকী অকোয়বদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংদা থক্লবা অফবা ঈশিং পীথক্লবা পাইপলাইন তিংবগী থবক লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১৫ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাকনা হৌদ্রবদি মথংগী নুমিৎ ফেব্রৱারী ১৬তগী প্রোজেক্ট অসিগী থবক থৌরম পুম্নমক খুঞ্জাশিংনা থিংজিল্লগনি হায়রি।








## CROSSWORD-1653



**ACROSS**
1 Crush flat (6)
4 Prose compositions (6)
8 Subsequently (5)
9 Offspring (7)
10 Not easily disturbed or angered (7)
11 Conductor's stick (5)
12 Six (4,5)
17 Additional (5)
19 Eminent (7)
21 Sports arena (7)
22 Item of cutlery (5)
23 Vast desert of North Africa (6)
24 Team game (6)

**DOWN**
1 Weighing machine (6)
2 Falsehood (7)
3 Bush (5)
5 The entertainment business (7)
6 Representative (5)
7 Espionage (6)
9 Assumed name (9)
13 Having more foliage (7)
14 Nine iron, in golf (7)
15 Sumptuous meals (6)
16 Crunchy salad vegetable (6)
18 Garbage (5)
20 Capital of Japan (5)

Solution 1652



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-1461**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | | | | | | 4 | | 3 |
| 6 | | 4 | | 8 | | | 5 | 2 |
| 3 | 5 | | | 2 | 9 | | | |
| 4 | | 5 | | | | | 2 | 9 |
| 1 | | 3 | | | | | | |
| | | | | 9 | | | 3 | |
| | 8 | | | | | | 9 | |
| | 3 | | | | | | 7 | |
| | | | 3 | | | 1 | | |

**Solution-1460**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 3 | 8 | 7 | 1 | 6 | 4 | 5 | 9 |
| 7 | 5 | 9 | 4 | 8 | 2 | 3 | 1 | 6 |
| 1 | 4 | 6 | 3 | 9 | 5 | 8 | 7 | 2 |
| 6 | 8 | 1 | 9 | 4 | 3 | 5 | 2 | 7 |
| 3 | 9 | 2 | 5 | 7 | 1 | 6 | 4 | 8 |
| 5 | 7 | 4 | 2 | 6 | 8 | 9 | 3 | 1 |
| 8 | 6 | 5 | 1 | 2 | 4 | 7 | 9 | 3 |
| 4 | 2 | 7 | 6 | 3 | 9 | 1 | 8 | 5 |
| 9 | 1 | 3 | 8 | 5 | 7 | 2 | 6 | 4 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9





**DUTTA CLINIC**

অঙৌবা পকপা, তাং-তাং চিকপা, নুপাগী প্রোব্লেম, নুপীগী প্রোব্লেম, নুংশং অমসুং গ্যাস্ত্রিক, ডাইবেটিস, নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম অমসুং য়ু করম্না থাদোক্কনি

**অঙৌবা পকপা :**



অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

**তাং-তাং চিকপা :**

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্না পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

**নুপাগী প্রোব্লেম :**

ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙম্বা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে। মমল লুপা ৪৫০।

**নুপীগী প্রোব্লেম :**

ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

**নুংশং অমসুং গ্যাস্ত্রিক্কী :**

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্না অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

**ডাইবেটিস :**

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

**নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :**

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।

অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

**য়ু করম্না থাদোক্কনি :**

য়ুদা লায়চুদুনা লৈরবা মীওইশিংদা মশা খৎহন্দনা ঐখোয়গী হিদাক অসি পীজবা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুং হরাও-নুংঙাইবা হায়বদো হঞ্জিল্লকনি। মহাক শোয়দনা য়ু থাদোক্কনি।

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/2218/23/1-22/2